# মণিপুর নুপী টিমনা টামিল নাদুগী টিম্বু মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচএন এস)ঃ মহারাষ্ট্রগী পুনেদা লৈবা বালেৱাদি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা এদিসন খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০১৯গী ফুটবোল মশান্নগী নুপীগী চহী ২১ মখাগী কেটেগোরিদা মণিপুর নুপী ফুটবোল টিমনা টামিল নাদুগী টিম্বু মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস অসিগী ফুটবোল মশান্নগী ওইনা চহী ২১ মখাগী নুপীগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি মণিপুর অমসুং টামিল নাদু লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মণিপুরনা টামিল নাদুবু লাকশিন্দুনা শান্নখি। মেচকী ২৩শুবা মিনটতা মণিপুরগী ওইনা পেনালটি কিক অমা ফংলবসু গোল ওইনা ওন্থোকপা ঙমখিদে। মেচকী ৮০শুবা মিনটতা অমুক মণিপুরগী মায় পাকপা য়াবগী গোল্ডন চান্স অমা নান্থোকখিদুনা গোল ওইনা ওন্থোকপা ঙমখিদে। টিম অনীনা টাই ব্রেক তাবদগী পেনালটি কাওনবদা মণিপুরনা টামিল নাদুবু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী ৱিন্নর ওইখি।

চহী ১৭ মখাগা নুপীমচাগী ফুটবোলগী অহুমশুবা পোজিসনগী মেচ ওইনা ঙসি মণিপুর অমসুং কেরলা ফ্লেম য়ুনিভর্সিটিদা শান্নখি। অহানবা হাফকী ৩৬শুবা মিনটতা মণিপুরগী পুস্পরানিনা গোল অমা চনখি। মিনট খরা কান্নরগা মেচকী ৪৩শুবা মিনটতা মণিপুরগী প্রিয়াঙ্কানা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা মণিপুর নুপী ফুটবোল টিম্না কেরলাবু মায়থীবা পীখি। মণিপুরগী অন্দর-১৭ গর্লস ফুটবোল টিমনা অহুমশুবা তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল, অন্দর-২১ অমসুং অন্দর-১৯না অহানবা পোজিসন তাদুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

উচিৱা গ্রাম পঞ্চায়ত প্রধান ট্রোফি ২০১৯

## য়ু দব্লিয়ু পি দব্লিয়ু সী-এনা ৩শুবা তাখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস)ঃ ঐচ ৱাই পি সী হয়েলনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা পাঙথোক্লিবা উচিৱা গ্রাম পঞ্চায়ত প্রধান ট্রোফি ২০১৯গী অহুমশুবা পোজিসনগী মেচতা য়ু দব্লিয়ু পি দব্লিয়ু সী-এ উচিৱা ৱাংমনা এ স্কৱার পাংশোইবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ১৩না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা চত্থরিবা উচিৱা গ্রাম পঞ্চায়ট প্রধান ট্রোফি ২০১৯গী অহুমশুবা পোজিসনগী মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা য়ু দব্লিয়ু পি দব্লিয়ু-এ উচিৱা ৱাংমা অমসুং এ স্কৱার পাংশোই লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা য়ু দব্লিয়ু পি দব্লিয়ু সী-এনা গোল ৩-২দা মাঙজিল থাদুনা চংখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা মায় পাক্লবগীদমক শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা য়ু দব্লিয়ু পি দব্লিয়ু সী-এনা এ স্কৱার পাংশোইবু গোল ৫-৪দা মায়থীবা পীরম্লগা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা সোসল ৱার্কর আর কে সোমোরেন্দ্রো, এ জিগী এ ও ঐচ সুরচন্দ্র, সোসল ৱার্কর এস ঐচ বিহারি মীতৈ, টি ঐচ অমুজাও মীতৈ অমসুং ঐচ নব মীতৈনা দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## মৈরাবনা অন্ধ্র প্রদেশকী সাই চরন গোয়াবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচএন এস)ঃ বেদমিন্টন এসোসিএসন (বি এ আই) গী মীৎয়েং মখাদা বেঙ্গলোরদা থা অসিগী ১৫দগী ২০ ফাওবা চত্থগদৌরিবা য়োনেক্স সন রাইস ওল ইন্দিয়া রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট ২০১৯দা মণিপুরগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা চহী ১৯ মখাগী ইন্দিয়াগী ৭শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা অন্ধ্র প্রদেশকী সাই চরন গোয়াবু সেমী ফাইনেলদা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে।

নেদরলেন্দদা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা দটস জুনিয়র ওপন গ্রান্দ প্রী ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট ২০১৯ অমসুং বৈরুটতা পাঙথোক্কদৌরিবা জর্মন জুনিয়র ওপন গ্রান্দ প্রী ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা ইন্দিয়াগী জুনিয়র বেদমিন্টন টিম শেম্নবগীদমক বেঙ্গলোরদা চত্থরিবা ওল ইন্দিয়া জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা মৈরাবগা কেরলাগী গোবিন কেগা শান্নখিবা মেচ অদু মৈরাবনা ১৭-২১, ২১-১১, ২১-১১দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি। সেমী ফাইনেলদা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা সাই চরন গোয়াবু ২১-৮, ২১-১৪দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখিবনি। হয়েং মধ্য প্রদেশকী রিয়ান্সু রাজাৱটকা মৈরাবগা ফাইনেলদা থেঙ্গাইনরগনি।

## মণিপুর কিক বোক্সিং টিম্না গোল্ড ৩ লৌখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচএন এস)ঃ গোৱাগী পনাজিদা থা অসিগী ১৭তগী ২৩ ফাওবা চত্থগদৌরিবা অহানবা ইন্টরনেসনল বিছ কোম্বাট গেমস ২০১৯দা মণিপুরগী কিক বোক্সিং টিমনা তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিদা গোল্ড মেদল ৩ লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্টরনেসনলগী থাক্তা চত্থরিবা কোম্বেট গেমস অসিদা মণিপুরগী কিক বোক্সিং টিমদা শরুক য়াদুনা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি সেনিয়রগী কেজি ৬০ মখাগী কে ৱানদা য়াম্বেম কালা চনু, কেজি ৬৮ মখাগী কেটেগোরিদা লাইশ্রম কুবের অমসুং কেজি ৫৪গী এল/কেদা এস য়াইফবী চনুনি।

## য়ু এস এ মায় পাকখ্রে, কেনিয়া অমসুং ইন্দিয়া (মণিপুর) দ্রো চংখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯(ঐচএন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজমনা ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন অমদি হন্না ইক্বাইনগা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা মপাল কাঙজেবুংদা চত্থরিবা ৪শুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহুমশুবা নুমিৎকী লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা য়ু এস এ মায় পাকখ্রে। কেনিয়া অমসুং ইন্দিয়া (মণিপুর) দ্রো চংখ্রে।

মপাল লৈবাক্কী টিম ৪ য়াওনা পুন্না টিম ৬না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ২ থোক্না খাইদোক্লগা চত্থরিবা ৪শুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱিমেন্স ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা কেনিয়া অমসুং ইন্দিয়া (মণিপুর) লম্বা তৌনখি। মেচ অদু পানা অনীগী মায়কৈদগী মায় পাক্লবগীদমক অকন্নবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা চক্র লোইশিল্লকপদা কেনিয়া অমসুং ইন্দিয়া (মণিপুর) পাঞ্জল ৭-৭তা দ্রো চংখি।

লীগ রাউন্দগী ৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা য়ু এস এ অমসুং আই পি এ ইন্দিয়া শান্নখি। মেচ অদুগী ৪শুবা চক্র লোইশিল্লকপা ফাওবদা য়ু এস এনা পাঞ্জল ৯-০দা চাউনা মাঙজিল থাদুনা চংখি। লীগ রাউন্দ মেচ অসিগী অরোইবা চক্র লোইশিল্লকপদা য়ু এস এ টিমনা আই পি এ ইন্দিয়া টিমবু পাঞ্জল ১০-৪দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি।

## আর এ এফ এনা য়ু য়ু এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯(ঐচএন এস): অমোফা একাদেমি মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চত্থরিবা অহুমশুবা ঐচ বিরো এন্দ ব্রোজেন মেমোরিএল অন্দর-১৩ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা আর এ এফ এ থিনুঙ্গৈনা য়ু য়ু এফ সী উরিপোকপু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ৮না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ঐচ বিরো এন্দ ব্রোজেন মেমোরিএল অন্দর-১৩ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা ঙসি গ্রুপ বিগী আর এ এফ এ অমসুং য়ু য়ু এফ সী শান্নখিবা মেচ অদু আর এ এফ এনা য়াম্না লাকচনা গোল ১৩-১দা মায়থীবা পীখি।

## এ এম এস এস টি এ

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচএন এস)ঃ কিটস ফাউন্দেসন স্কুল ভেন সার্ভিস য়ুনিয়ন্না এ এম এস এস টি এগী মীৎয়েং মখাদা পাংশোই পার্টুগী পময়ালগী শান্নবুংদা চত্থরিবা অহানবা এ এম এস এস টি এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচশিংদা এ এম এস এস টি এনা এরেকা অমদি কিটস ফাউন্দেসন্না টাইনিটোটপু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে।




## কুঞ্জো নীংশিং ফুটবোল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচএন এস) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উচেকোন তাখোক মপালদা লৈবা দি পাওনা মেমোরিএল ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চত্থরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল মোইরাংথেম কুঞ্জো সিংহ মেমোরিএল ফোর মেন সোকর টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ১৮শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এ স্কার পাংশোই অমসুং সাইলেন এফ সী পিশুম শান্নখিবা মেচ অদু সাইলেন এফ সীনা পাঞ্জল ৩-০দা, ১৯শুবা মেচ ওইনা অনীশুবা গ্রাউন্দদা এল এল ৱাই সী ওক্রম চুথেক অমসুং এন আই পি সী চেকোন শান্নখিবা মেচ অদু এল এল ৱাই সীনা পাঞ্জল ৪-১দা, ২০শুবা মেচতা য়াঙ্গুং এফ সীনা পি এম সী-এবু পাঞ্জল ৮-১দা অমদি ২১শুবা মেচতা সী ঐচ দি আর ওনা ফেল্ল এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

## এ আর সীনা চেম্পিয়ন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ ফবাকচাও অৱাং লৈকায় য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (পি এ এল ৱাই দি এ) না শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখি অহানবা লেট এলাংবম পিশক সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা এ আর সীনা ৱাই এম দি ওবু মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে। টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ১৪-উচিৱা জিলা পরিষদকী মেম্বর হাজি টায়প আলি, ফোরেষ্টকী কঞ্জার্বেটর এল জয়কুমার, ফবাকচাও সেকমাইজিন জি পিগী প্রধান থোঙাম সোমোলা, ফবাকচাও সেকমাইজিন জি পিগী ৱার্দ মেম্বর এস লৈমথোইবী অমসুং য়ু দব্লিয়ু এল পি সীগী এদভাইজর বাবুইরেংবা মঙাংনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুকয়াখি।

## সেয়ো টেনিস টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯(ঐচ এন এস): সাউথ ইষ্ট য়ুথ ওর্গেনাইজেসন (এস ঈ ৱাই ও) অকাম্পাৎনা শীন্দুনা সেয়ো টেনিস কোর্ট অকাম্পাৎতা চত্থরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল এস ঈ ৱাই ও টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মেন্স ওপনগী ফাইনেলদা ইন্দ্রকুমার অমসুং রিভাস্করগা থেঙ্গাইনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেন্স ওপনগী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচশিংদা রিভাস্করনা টুলেশ্বরবু ৬-১, ৬-৩ অমদি ইন্দ্রকুমারনা অজাদ খানবু ৭-৫, ৬-৩দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি। চহী ৪০ মথক্কী দবলসকী সেমী ফাইনেল মেচশিংদা তুলেশ্বর অমদি ইবোহলগী জুরানা সনাতোম্বা অমদি প্রিতমগী জুরাবু মায়থীবা পীরম্লগা অমদি কাংজাম্বা অমদি রাকেসকী জুরানা ৱাক ওভর ফংদুনা ফাইনেল চঙখি।

## পুপু কপ ফুটবোল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৯ (ঐচএন এস)ঃ দি পেরদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু) না শীন্দুনা পুংদোংবমগী শান্নবুংদা থা অসিগী ২৮ ফাওবা চত্থগদৌরিবা ৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৭ নাইন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এস বি আর এফ সী নোংদম্না ৱাই এল কে টেজপুরবু মায়থীবা পীখ্রে। অমদি কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

লীগ রাউন্দগী ২০শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এস বি আর এফ সী নোংদম অমসুং ৱাই এল কে শান্নখিবা মেচ অদু এস বি আর এফ সীনা গোল ৩-০দা মায় পাকখি। ২১শুবা মেচতা কে আই এম এফ সী খুরাই লাক্তবদী কে ৱাই এফ এনা ৱাক ওভর ফংখি।







## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৭


১। ক্রিকেট শান্নবদা মমিং চৎলবা ওষ্ট্রেলিয়াগী দোনাল্ড ব্রেদমেন ইন্দিয়াদা অমুক্তা লাকখিদ্রি অদুবু মহাক্কী নুপী জেশী ব্রেদমেনদি ইংলেন্দা চৎপা মতমদা বোম্বে (মুম্বাই) গী হিথাংফমদা মহাক্কী জহাজ অদু খামদুনা লৈরিঙৈদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ক্রিকেট শান্নরোয় অমনা হরাউনা ওকপীখি। শান্নরোয় অদু কনানো?

২। রাহুল দ্রাভিদনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট কেপ্তেন ওইরিঙৈদা টেষ্ট মেচ শান্নবদা পাঞ্জল থোয়নখিদবা হায়বদি দ্রো ওইখিবগী মশীং অদু চাদা কয়ানো?

৩। ওলিম্পিক গেমস চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকই। নেমিয়া গেমস চহী কয়া কয়া লৈরগা পাঙথোক্লম্মী?

৪। মহাক হোনোলুলুগী প্রিনসেসরুথকী কোনুংদা পোকপা মতমদা ইংলেন্দগী নিংথৌ মচানুপা অনীশুবা দিউক-ওফ-ইন্দিনবরা ঈথৎ অদু য়েংবা লাকখি। মহাক ওলিম্পিক্কী ইরোইবদা সনাগী মেদল ফংখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com